# গভর্ণরস কপ পোলো টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেচতা মণিপুর পুলিস টিম বি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ :
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ২৭ শুবা গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমদি ১৬ শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন'স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিদগী ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথবা হৌখ্রে।

নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউরবা অমদি লেমজনিংঙাই ওইরবা পোলো টুর্নামেন্ট অসি ঙসি নুংথিল মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর (আই এ এস), মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র (রিটায়ার্দ আই এ এস), য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর ঐচ দিলিপ সিংহ (আই এ এস), টুরিজমগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরি এম অশোক কুমার (আই এ এস) অমদি ভেটিরিনরি অমসুং এনিমেল হাজবেন্দরিগী দিরেক্টর ডো. টি চাউবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা মমিং লৈরবা অমদি পাঙ্গল কল্লবা টিম ১০ না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিদা শুরক য়ারিবা টিম তরামক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৩২ শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অমদি ৭ শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট টিমশিংনি। লোয়ননা লেমহৌরিবা টিম অদুনা লোটরি তৌরবা মতুংদা খনবনি। লোটরি তৌবা অদুদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব মায় পাক্তুনা হায়রিবা গভর্ণরস কপ পোলো টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ, টিম বি অমসুং টিম সীনি। ইম্ফাল রাইদিং ক্লব, ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব, ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব, এক্স পোলো ক্লব, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং খুরাই পোলো ক্লবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব পাঙ্গল ৭-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী চক্র মরিমক্তা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা টিমদুগী পাঙ্গলশিং অদু মথং মথং চনশিনখি।

অহানবা চক্রদগী হৌনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকপনা অহানবা চক্রদা পাঙ্গল অহুম চনখি। পাঙ্গল অদু টি প্রদিপ কুমারনা পাঙ্গল অনী অদুগা টি ঐচ কাওবনা পাঙ্গল অমা চনখি।

অনীশুবা চক্রদা ও সুরেসনা পাঙ্গল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা আই খাবনা পাঙ্গল অনী চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঙ্গল তরুক শুখি। মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা টি প্রদিপকুমারনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঙ্গল ৭ শুখি।

মেচ অদুদা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরবা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু এস ব্রোনসন্না মরিশুবা চক্রদা চনখি। হয়েং অহানবা মেচ ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব অমসুং ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকা শান্নগনি।

# মণিপুর বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ ফংখ্রে

## সিজন অসিদগী হৌনা বি সী সী আইগী টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী লমদা মাঙজিল থাবা ঙম্লবসু ক্রিকেট মশান্নদদি মণিপুর অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা খরা শোথনা লৈরি। মসিগী অচৌবা মরমদি বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী ফুল মেম্বরসিপ ফংদবননি।

ক্রিকেট মশান্নবু চাওখৎনবা কন্না হোৎনরিবা অমদি মশান্না অসিদা থৱায় য়াওবা লমদমসিগী শান্নরোয় কয়ানা হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা মঙজরকপা মঙলান অদু ঙসিদি মঙফাওনরে।



বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ ফংনবগীদমক হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না ৱানা হোৎনদুনা লাকখিবা অদু ঙসিদি মহয় চাবগা লোয়ননা চৎলিবা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮ গী সিজন অসিদদি মণিপুরনা বি সী সী আইগী টুর্নামেন্ট খুদিংমক্তা শরুক য়াবা ফংলগনি।

বি সী সী আইগী টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর ক্রিকেট টিমনা শরুক য়াবা ফংবা অসিনা লমদমসিদগী অফবা ক্রিকেটর শুংশোয় শোয়দনা পুথোকপা ঙম্লগনি। লোয়ননা মণিপুরগী ক্রিকেটর কয়া ইন্টরনেসনলগী থাক্তা য়ৌরক্লবগী লম্বীসু লৈরগনি।

বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ ফংদবা মরম্না বি সী সী আইনা শিনবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ফংলমদবা অমদি বি সী সী আইগী খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমদনা লৈরকখিবা অদু ফংলগনি। লোয়ননা রঞ্জি ট্রোফিনচিংবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর টিম শরুক য়াবা উরগনি।

মণিপুরগী ক্রিকেটরশিংনা ইন্টরনেসনল এরেনাদা য়ৌবা ঙম্লবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা ঙসি ফুল মেম্বরসিপ ফংখিবা অসিনা মরম ওইরগা লমদমসিগী ক্রিকেটরশিংনা মতম শাংনা মঙজরকপা মঙলান অদু মঙফাওনরে।

মণিপুরখক্তা নত্তনা বিহার, টেলঙ্গনা, উত্তরখাণ্ড, অরুনাচল প্রদেশ অমদি মেঘালয়াসু বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ ফংখ্রে। অমরোমদা বিদরভা, সৌরাষ্ট্রা অমদি বরোদা বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ্তুগী লৌথোকখ্রে।

ফাউন্দিং মেম্বর ওইরিবা ক্রিকেট ক্লব ওফ ইন্দিয়া (সী সী আই) অমদি নেসনল ক্রিকেট ক্লবসু বি সী সী আইগী ফুল মেম্বরসিপ্তুগী লৌথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ক্রিকেট মশান্না অসি মণিপুরদা কুমজা ১৯৩৬ তগী হৌনা শান্নরকপগী পুৱারী লৈরি।সার চূড়াচান্দনা নিংথৌ ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী মখাদা ক্রিকেট মশান্না অসি শিল্লোংদা বৃটিশশিংগা কুমজা ১৯৩০ দা শান্নরকখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৩৬ তা ক্রিকেট মশান্না মণিপুরদা শান্নরকপনা ঙসি ফাওবদা মশান্না অসি য়াম্না পাম্না শান্নরি।

কুমজা ১৯৯৭-৯৮ দগী মণিপুর বি সী সী আইগী এসোসিএট মেম্বর ওইনা লাকখিবনি। অদুবু মতম শাংনা ফুল মেম্বরশিপ ফংদনা লৈরকখিবনি। বি সী সী আই এসোসিএট মেম্বরগী জুনিয়র টুর্নামেন্টশিং হৌখিবা চহীশিংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিবা অদুদা মণিপুর টিম শরুক য়াদুনা লাকখি।

লোয়ননা আসাম অমদি ত্রিপুরানচিংবা মফমশিংদা পাঙথোকপা ইনভাইটেসন টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুর চাং নাইনা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

নীংশিংবা য়াই, হৌজিক বি সী সী আইগী মখাদা মণিপুরদা ষ্টেন্দর্দ পিছ অমা হৌজিক লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা লৈদুনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লেভেল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট কয়া ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। লোয়ননা মণিপুরদা বিহার টিম লাক্তুনা ৱান দে সেরিজ মঙা অমদি টি-২০ মেচ অনী ইম্ফালদা শান্নখিবা অদুদা মণিপুরনা চাউনা মায় পাকখি।

# এফ সী খা সঞ্জেনবম্না ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):
এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা চথরকপা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এফ সী খা সঞ্জেনবম্না ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এফ সী খা সঞ্জেনবম্না এফ সী ক্যামগৈ গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মায়থীহৌরবা এফ সী ক্যামগৈনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা এফ সী খা সঞ্জেনবমগী শান্নরোয় এল জোনসন্না বেষ্ট প্লেয়র তাখি। এফ সী ক্যামগৈগী এ প্রদিপকুমারনা হায়েষ্ট স্কোরর তাখি। বি এম এস সী তাওবুংখোক্কী টি ঐচ নোরেন্না বেষ্ট কোচ অদুগা এস সী ৱাই য়ূম্নাম খুনৌনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এফ সী খা সঞ্জেনবম অমসুং এফ সী ক্যামগৈ অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা এফ সী খা সঞ্জেনবমগী শান্নরোয়শিংনা মীকুপ নাহুম শিংবা হেনখিবা মরম্না এটেক তৌবগী চাং তপ্না তপ্না ৱাংখৎলকখি।

মেচ অদুদা এফ সী ক্যামগৈ মায়থীজরবসু মেচ অদুগী ১০ শুবা মিনিটতা টি ঐচ কিরন্না গোল একাউন্ট হাংদোকখি। গোল শোথরিবা এফ সী খা সঞ্জেনবমগী শান্নরোয়শিংনা থেংথবা তৌদনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ১১ শুবা মিনিটতা এল জেকোবনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং এফ সী খা সঞ্জেনবমগী শান্নরোয় এল জোনসন্না গোল অনী থংনা থংননা মেচকী ২৭ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখিবগা লোয়ননা এফ সী ক্যামগৈদগী গোল অনী মাঙজিল থাখি। মেচ অদুগী ৪৪ শুবা মিনিটতা এফ সী খা সঞ্জেনবমগী মরিশুবা গোল এল প্রেমজিৎনা চনখি। মখা তানা মেচ অদুদা এফ সী ক্যামগৈনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী এফ সী খা সঞ্জেনবমগী মখূৎতা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

# সনদে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :
শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা সনদে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি তরেৎশুবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা এস সসিকান্তা অমসুং ওইনাম নিংথেম্না পোইন্ট ৬/৬ ফংদুনা মাঙজিল থাখ্রে।

শিংজমৈ চেছ ক্লবতা চথরিবা সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা নেসনল প্লেয়র এন লোকেন্না পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। লোকেল প্লেয়র আর কে দত্তনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা অদুগা ভেটরান প্লেয়র বিট ইরোম্না পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে।

সিজন প্লেয়র এম দোরেন্দ্রোনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা, এ কে সঞ্জয় অমসুং কে পোইরৈখোম্বনা পোইন্ট ৩.৫/৩.৫ ফংদুনা তরুকশুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা প্লে চেছ ফোর হেভিং রিটের্টিভ মেমোরিজ এন্দ পিছ ওফ মাইন্দ হায়বা থিমদা শিংজমৈ চেছ ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না শান্নরোয় ১১ না শরুক য়াদুনা রাউন্দ রোবিন রেপিদ সিষ্টেমদা মিনিট ২৫/২৫ পূন্না মিনিট ৫০ গী মতমদা চথরিবনি।

ঙসি ৭ শুবা রাউন্দদা ও নিংথেম (৬) না আর কে দত্ত (৫) কা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায় য়েন্নখি। এস সসিকান্তা (৬) না কে পোইরৈখোম্বা (৩.৫) মায়থীবা পীখি।

# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে।


ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ক্রাও খন্নাম বজার রন ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৫ দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১১৫ লৌখি।

ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী রোজেসনা নোট আউটতা রন ১৪ (১১), সমানন্দনা রন ১৪ (১১), এস কুমারজিৎনা রন ১৩ (১৩) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ক্রাও খন্নাম বজারগী উত্তমনা ৱিকেট অনী, কে ঐচ বসন্তা, পি ঐচ রোহিন্দ্রো অমসুং এ গোপেশ্বরনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ক্রাও খন্নাম বজারনা ওভর ২৪.১ মায়োক্ন খিবদা শুপ্নগী রন ১০৭ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী মখূৎতা রন ৮ দা মায়থীখি।

মেচ অদুদা ক্রাও খন্নাম বজারগী পি ঐচ রোহিন্দ্রোনা রন ৩৩ (২৮), কে ঐচ বসন্না রন ১৭ (২৯), কে ঐচ রোকেটনা রন ১৩ (৯), ও পোইরৈতোন্না রন ১৩ (২৯) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী বোলর রোজেসনা ৱিকেট অহুম, প্রিয়োকুমার, সচি লাইশ্রম অমসুং গোজেন্না ৱিকেট ২/২ লৌখি। মেচ অদুদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী রোজেসনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং কে এস সী ন্যু লম্বুলেন্দ অমসুং সী সী সী লিলোং চজিংগা শান্নগনি।


Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3673/17/2-22/3


# সেনিয়র খো খো শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ :
চহীসিগী এপ্রিল ১ দগী ৩ ফাওবা আসামগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা ইষ্ট জোন সেনিয়র খো খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

মণিপুর অমেচর খো খো এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ত্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অদুদা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী কাঙলুপ্তা এ এস কে কে এদগী কে ধনঞ্জয়, এন বিকেন, সিজদোদগী এস ঐচ বোবি, টি ঐচ সদানন্দা, বাসু খাঙবোক্তগী কে ঐচ দিনেস, এস মঞ্জা, এম বিশ্বনাথ, এল রোবেন, দব্লিয়ু ঈ এস সীদগী কে কাপিল কুমার, টি ঐচ কিংসন, এস ঐচ জি আই আর সী এসতগী এন মনিচন্দ্রা অদুগা আর য়ু সীদগী এম সুসিলনি। রিজার্ভ ওইনা দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সীদগী টি ঐচ চূড়ামনি অমসুং সিজদোদগী এস ঐচ এরিসনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা খল্লবশিং অদুদি বাসুদগী নিরমালা লাইশ্রম অমসুং এন উষারানি, আর য়ু সীদগী এম ইচল, এম থোই, এম অঞ্জু, এম মোনিকা, সিজদোদগী এল অঞ্জলি, এস ঐচ মেমচৌ, এল আসাকিরন, এন ঐচ জি আই আর সী এসতগী এন রবিনা, এল ৱাই য়ু ওদগী কে ঐচ মালেমঙানবী অমসুং পি ৱাই দি সীদগী এস ঐচ চনচনবীনি। রিজার্ভ ওইনা বাসু খাঙবোক্তগী কে ঐচ পুস্পা অমসুং টি ঐচ লিন্থোই খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২২ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা বাসু খাঙবোক গ্রাউন্দদা লাক্তুনা মখা তাবা ত্রেনিং অমসুং কোচিংগীদমক্তা মাক্কাগী ওফিসিএল এন জয়কুমার অমসুং টি ঐচ বিমোলদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

